**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 13-07.2024)**

**সিএম (এল)ঃ** পঞ্জাবতগী চেং চিংল্লকপা অহানবা রেলগাড়ি, মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেননা ঙসি খোঙশাং রেলৱে ষ্টেসনদা তরামা ওকখ্রে।

দাবা ১৫ য়াওনা রেলগাড়ি অদুনা পঞ্জাবকী ধুরিদগী হৌখিবা থা অসিগী তরুক্তগী চেং মেত্রিক টোন ৯৪৯ চেং বেগ লিশিং ১৯,৩৫৯ দা হাপ্তুনা পুরকখিবনি। রেলগাড়ি অদুনা ঙসি অয়ুক পুং ১১ দা খোঙশাং রেলৱে ষ্টেসনদা য়ৌরকপদা মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেননা লুচিংদুনা মীয়ামনা ওকখি। ওকপগী থৌরম অদুদা ৱাটর রিছোর্সেস মন্ত্রি-অৱাংবৌ ন্যুমাই, হিলস এরিয়াজ কমিতিগী চেয়ারমেন-দিংগাংলুং গাংমৈ অমসুং মকোক থোংবা ওফিসিএল কয়া শরুক য়াখি।

থৌরমদুদা ৱা ঙাংবদা মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেননা হায়-ঙসিগী অসিনা রেলগাড়িদা খোঙশাং তান্না চেং চিংল্লকপা অহানবনি। মসিগী মমাংদা তঙাইফদনা চংবা পোৎলমশিং তাঙ্কক অনিরক থোকা চিংলকখ্রে। রেলগাড়ি অসি মফম অসি য়ৌনা অশোয় অঙাম য়াওদনা পুরকবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌখিবা এফ.সি.আইগী ওফিসিএলশিং, রেলৱেগী ওফিসিএলশিং অমদি সেক্যুরিতি ফোর্সশিংবু মুখ্য মন্ত্রিনা থাগৎপা ফোংদোকখি।

মহাকা হায়-থা তরা হেন্না পামদবা থৌদোকশিং থোক্লবসু সরকারনা মীয়ামগী মতেংগা লোয়ননা কন্না হোৎনবদগী চেং-হৱাই, গ্যাস অমদি থাউনচিংবা লেপ্তুনা ফংহনবা ঙমলি। খোঙশাং এরিয়াগী মীয়ামবু থাগৎপা ফোংদোক্লদুনা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-খোঙশাং ভিলেজ চীফ, মফম অদগী মীয়াম, নহারোলশিং অমদি মীয়ামগী মীহুৎ ওইরিবশিংগী অচৌবা মতেংদগী খোঙশাং রেলৱে ষ্টেসনদা তঙাইফদবা পোৎলমশিং লেপ্পা নৈতনা পুশিল্লক্লি। রাজ্য অসিদা

শেমগৎ শাগৎপগী থবকশিং খুমাং য়াংনা পায়খৎতুনা হেন্না মপাঙ্গল কনবা চাউখৎপা লমদম অমা ওইহন্নবা হোৎনমীন্নসি হায়নসু মুখ্য মন্ত্রিনা আপিল তৌখি।

মুখ্য মন্ত্রিনা ঙসিগী থৌরম অদুগা মরী লৈননা মফম অদুগী মীয়ামদা খোঙশাংদা গেষ্ট হাউস অমা অথুবা মতমদা শারগনি হায়নসু থাজবা পীরমখি। পাউমীশিংনা হংবা ৱাহং অমগী পাউখুমদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-ইম্ফাল জিরিবাম লম্বীগী ফিভম ফৎত্রিবা শরুকশিং থুনা শেমজিন্নবা এম.ঐচ.আই.দি.সি.এলগী ওফিসিএলশিংদা খঙহনখ্রে। অয়ুক, নুংথিল, নুমিদাং খাক্তনা কন্না হোৎনদুনা লম্বী অসি থুনা শেমজিল্লগনি হায়বগী থাজবসু মুখ্য মন্ত্রিনা ফোংদোকখি।

**পুলিস (এল)ঃ** জিরিবামগী কালিনাগর ৱান, টু অমসুং থ্রিদা সেক্যুরিতি ফোর্সকী অপুনবা কাংবু অমনা ঙসি অয়ুক থিবা হুম্বগী থবক চথখ্রে।

ঐখোয়গী জিরিবাম পাউমী ঙাথেম বিশ্বজিৎনা হায়-থিবা হুম্বগী থবক অদু জিরিবামগী সেনিয়র সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস এম. প্রদিপ সিংহগী মীৎয়েং মখাদা পাঙথোকখিবনি। ঙসি অয়ুক পুং ৬ তগী অয়ুক পুং ৮ মখায় ফাওবা পুন্না য়ুম ৫০ রোমদা চংদুনা থিবা হুম্বগী থবক চথখি। মদুদা মীফা মীপুনগী পাউ লৈতে।

**ডে (এল)ঃ** ইম্ফালগী লমফেলপাৎতা লৈবা হেলথ সাভির্সেস দাইরেক্তোরেট কমপ্লেক্সতা ঙসি হেলথ এন্দ ফেমিলি ৱেলফিয়ার মন্ত্রি-ডা: সাপম রঞ্জননা লুচিংদুনা ৱার্ল্ড ইনভাইরোনমেন্ট ডেগা মরী লৈননা উ-চারাশিং থাখ্রে।

নেসনেল প্রোগ্রাম ওন ক্লাইমেট চেঞ্জ এন্দ হ্যুমেন হেলথ, নেসনেল হেলথ মীসন-মনিপুর অমদি হেলথ সাভির্সেস দাইরেক্তোরেটনা পুন্না শিনবা থৌরম অদুদা মন্ত্রিনা হায়-ওফিস অসিগী কর্ম্মচারিশিংনা মহৌশাগী খল ঙাকবা হোৎনবদা থৱায় য়াওনা থৌদাং লৌরি হায়বা উৎপা ওইনা উ-চারা থাবগী

থৌরম অসি পাঙথোকপনি। হন্দক্তা থোকখিবা ঈচাও অদুনা মরম ওইদুনা পালন থৌরম অসি মতম চানা পাঙথোকপা ঙমখিদবদগী ঙসি ওইনা পাঙথোকপনি।

থৌরম অদুদা হেলথ এন্দ ফেমিলি ৱেলফিয়ারগী স্পিসিএল সেক্রেটরি-এ. হুংয়ো ৱারসন, হেলথ সার্ভির্সেসকী দাইরেক্তর-ডা: ও. সনাহনবী অমসুং অতৈ মকোক থোংবা ওফিসিএল কয়াসু শরুক য়াখি।

**উৎসব (এল)ঃ** জিলা থাক্কী প্রেরানা উৎসব অমা ঙসি ককচিং জিলাগী উমাথেলদা লৈবা জৱাহর নবোদয়া বিদ্যলায়াদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা, ককচিং জিলাগী মনুংদা লৈবা তোঙান তোঙানবা স্কুল ২৫ দগী লাকপা মহৈরোই ৪৯ না শরুক য়াখি। মহৈরোইশিং অদুনা ভিজ্যেল আর্টস, ক্রিয়েটিব আর্টস অমসুং পার্ফোমিং আর্টসকী তোঙান তোঙানবা লমশিংদা মখোয়গী হৈ-শিংবশিং উৎখি। কেন্দ্রগী শিক্ষা মন্ত্রালয়গী মখাদা জে.এন.ভি. উমাথেল অমসুং ককচিংগী জেট.ই.ওনা পুন্না শিনদুনা পাঙথোকপা থৌরম অদুগী মতাংদা জে.এন. উমাথেলগী প্রিন্সিপাল-এদোরে গনেস মাধপরাউনা অসুমা হায়-

**ফোরেষ্ট (এল)ঃ** হন্দক্তা থোকখিবা ঈশিং ঈচাও অদুগা মরী লৈননা লন্নাই মীওইশিং অমদি ঠিকাদারশিংনা চীং লৈবাকশিং কোৎতুনা য়োনবগী থবক তোক নবা রাজ্য সরকারগী সেন্ত্রেল ফোরেষ্ট দিভিজনগী দিভিজনেল ফোরেষ্ট ওফিসারনা থোকপা চেরোল অমদা হায়রি।

ৱাফম অসি থওইদবশিংগী মথক্তা আইনগী ওইবা থবকশিং লৌখৎলগনি হায়রি।

**কেম্প (এল)ঃ** ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী কিয়ামগৈ মমাং লৈকাই কম্যুনিতি হোলদা ঙসি নোংমগী ওইবা লেমা লায়েংবগী কেম্প অমা পাঙথোকখ্রে। কেম্প

অদু ইম্ফাল ইষ্টকী চীফ মেদিকেল ওফিসার অমদি পি.ঐচ.সি-বাসিখোংগী মীৎয়েং মখাদা কিয়ামগৈ য়াইফরোল ভি.এল.এফনা শিনদুনা পাঙথোকখিবনি।

**লম-তু (এল)ঃ** খাঙবোকপু লু-নান্না থমবগী পান্দমদা খাঙবোক জোইন্ট কে-ওর্দিনেটিং কমিতিনা শিনদুনা থা অসিগী মরিদগী চথরকখিবা মাস সোসিএল সার্ভিস ঙসি নুমিৎ তরানি শুখ্রে।

লম-তু শেংবগী থৌরম অসি নুমিৎ ১৫ নি চুপা পাঙথোক্কনি। ঙসিগী ওইনা খাঙবোক অৱাং খুনৌ লৈকাইদা লৈবা ন্যু পব্লিক হয়ার সেকেন্দরি স্কুল অমসুং ৱিজদম ফাউন্দেসনগী লম্বী পরেংদা লম-তু শেংখ্রে।

**ভিদিএফ(এল)ঃ** রাজ্যগী মন্ত্রি-মন্দলগী মীফমনা ভি.দি.এফশিং জিলা লান্না ত্রান্সফর তৌবগী অয়াবা পীখিবা অদুবু ওল মনিপুর ভি.দি.এফ. ইমপ্লোয়িজ ৱেলফিয়ার এসোসিয়েসননা য়ানিংদবা ফোংদোরক্লি।

**অমসো (এল)ঃ** ধনমঞ্জুরি য়ুনিভরসিতিগী মহৈরোইশিংনা চরা হেনবগী খোঙজং চংশিনদুনা তাল্লিবা দাবীশিং অথুবা মতমদা পীবিনবা ওল মনিপুর মুস্লিম ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেসননা মরী লৈনবা ওথোরিতিগী পুকিং চিংশিল্লি।

**শওম্বুং (এল)ঃ** ইম্ফাল ইষ্টকী শওম্বুং এরিয়াদা লৈবা ৱাইতোন লৌকোন, ৱাংখৈ লাকপী লৌকোন অমসুং চিঙারেল লৌকোননচিংবদা লৌ পানবা মতম অসিদা শগোল অমদি ষননচিংবা থাদোরকপদগী লৌমীশিংনা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক রে হায়রি।

মরম অদুনা মরি লৈনবশিংনা মশা মশাগী শগোল অমদি ষনশিং থাদোরক্তনবা শওম্বুং ষ্টুদেন্টস ক্লবকী চেরোল অমদা ফোংদোরক্লি।

**ক্লবস(এল)ঃ** লাইওন্স ক্লব ওফ ইম্ফাল-লৈমরোলগী চহিগী মীফম ঙসি ইম্ফালগী পাউনা বজারদা লৈবা ৱার্কিং ৱিমেন্স হোষ্টেলদা পাঙথোকখ্রে।

ইং ২০২৪-২৫ গী ওইনা নৌনা বি.ও.দি. ওইগদবশিং অমসুং নৌনা মেম্বর ওইগদবশিংগী ইন্দক্সন প্রোগ্রামশিং থৌরমগী শরুক অমা ওইনা পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা পাস দিষ্ট্রিক্ট গভনর লাইওন পি.এম.জে.এফ. প্রোফেসার-ৱাহেংবম গোপিমোহোন সিংহ অমসুং পাস দিষ্ট্রিক্ট কভনর লাইওন-এম.জে.এফ. হাওবম মণিকুমার সিংহ য়াওনা শকাইরবা মীওই কয়া শরুক য়াখি।

**এৱার্ড(এল)ঃ** ককচিং জিলাগী মনুং চনবা ৱাবগাই হয়ার সেকেন্দরি স্কুলদা ঙসি লাইরিক ফবা মহৈরোইশিংদা মনা-মথুম পীদুনা পুকিং থৌগৎপগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবশিংনা তুংগী য়ুম্বীরেল ওইগদৌরিবা মহৈরোইশিংবু নীংথিনা লমজিং লমতাকপীদুনা শেম্বীনবা ৱাফম কয়া ফোংদোক খি।

**ফুটবোল ঃ** অন্ধ্র প্রদেসকী অনন্তপুরদা মথং থাগী অহুমদগী হৌগদৌরিবা জ্নিয়ার গালর্স নেসনেল ফুটবোল চেম্পিয়নসিপকী টিম ওফিসিএলশিং ওল মনিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসন ইম্ফালনা খল্লে।

টি.ঐচ. বোয়াই সিংহানা টিম মেনেজর, টি.ঐচ. গীতারানি দেবীনা হেদ কোর্স, এলাংবম রোবার্টসননা এসিষ্টেন্ট কোচ অমদি রিতা দেবীনা ফিজোথেরাপিস ওইরগনি।

অমরোমদা, মনিপুর সব-জ্নিয়ার বোইজ ফুটবোল টিমগী, টিম ওফিসিএলশিংসু খল্লে। এম. তোম্বীমচা সিংহনা টিম মেনেজর, প্রোমশিংনা হেদ কোচ অমসুং এস.ঐচ. মৈরাবা সিংহনা এসিষ্টটেন্ট কোচ ওইরগনি।

**লম্বী ঃ** কেন্দ্র সরকারনা অৱাং নোংপোক লমদমগী শেল থুমগী ফিভম ফগৎহন্নবা

অমসুং খুঙ্গংগী লমশিং শমহনবা হেনগৎহন্নবগী পান্দমদা ত্রিপুরা অমসুং অসামগীদমক তোঙান তোঙানবা রোড প্রোজেক্টশিং অয়াবা পীখ্রে।

অসামগী ওইনা রুরেল দিবলপমেন্ট মন্ত্রালয়গী মখাদা কিলোমিটর ৫৬৩ শাংবা লম্বী ৭৮ অমসুং প্রধান মন্ত্রি গ্রাম সড়ক য়োজনাগী মখাদা থোং ১৪ শানবা লুপা কোতি ৩৭৮ কায়থোক্লে। ত্রিপুরাগী ওইনা কিলোমিটর ১১৮ শাংবা লম্বী ৪২ শেমগৎনবা লুপা কোতি ১১৪ কায়থোক্লে। মন্ত্রালয়গী পাউনা হায়-প্রোজেক্টশিং অসিনা হেলথ কিয়ার, এদুকেসন অমসুং লল্লোন ইতিক্কী থাক ৱাংখৎহনবা ঙম্লগনি।

**অমিত ঃ** ন্যু দিল্লিদা পাঙথোকপা অৱাংবা থাক্কী মীফম অমদা গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহনা ভাইব্রেন্ট ভিলেজেস প্রোগ্রাম চৎনহনবগী ফিভম হন্না য়েংশিনখ্রে।

মীফম অদুদা শ্রী সাহনা হায়-প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিগী লমজিং মখাদা লৈবাক অসিগী ঙমখৈ লমদা লৈরিবা খুঙ্গংশিংদা চাউখৎ থৌরাংগী থবক কয়া খুমাং চাউশিন্না পায়খৎপা ঙমলে। লম্বী থোংগী ফিভম ফগৎহন্দুনা ঙমখৈ খুঙ্গংশিংদা লৈরিবা মীয়ামদা থবক পীবা হেনগৎহনদুনা মখোয়না মরমদম থাদোক্তুনা অতোপ্পা মফমশিংদা য়ুম হোংবা তোকহন্নবা হোৎনরি।

মন্ত্রিনা হায়-ঙমখৈ খুঙ্গংশিংদা মথৌ তৌরিবা সেন্ত্রেল আর্ম পুলিস ফোর্সশিং অমদি লান্মীনা মফমশিং অদুগী মীয়ামনা শাবা হেন্দিক্রাফটকী পোৎথোকশিং অমদি লৌউ শিংউগী পোৎলমশিং কো-ওপরেটিবশিংগী খুথাংদা লৈশিন্নবা থৌরাং তৌরি। মফমশিং অদুদা লৈরিবা মীয়ামগী হকশেলগী ফিভম ফগৎহন্নবা মনাক নকপদা লৈবা সেক্যুরিতি ফোর্সশিংনা তোয়না য়েংশিনবগী থবক চথরি। মখোয়দা থবক পীননবগীদমক সরকারনা প্রোজেক্ট ৬০০ হেন্না পায়খৎলি।

**চন্দ্রচুদ ঃ** ভারতকী চীফ জষ্টিস-দি.ৱাই. চন্দ্রচুরনা হায়রি-আইনবু লমদম লমদমগী ওইবা লোলশিংদা খঙননবা তন্বীবগী তঙাইফদবা লৈরে।

লক্ষনৌগী ডা: রাম মনোহার লোহিয়া নেসনেল লো য়ুনিভরসিতিগী কনভোকেসন থৌরমদা ৱা ঙাংলদুনা শ্রী চন্দ্রচুরনা হায়-আইনগী ওইবা ৱাফমশিং মীয়ামদা খঙহন্নবা হোৎনবদা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং হন্থহন্নবা আইনগা মরী লৈনবা ৱারোলশিং মফমশিং অদুগী লোলদা হন্দোক্কুনা তন্বীরবদি চাউনা কান্নবা ফংগনি।

মহাকা হায়-য়ুনিভরসিতি অসিদা এল.এল.বিগী কোর্স হিন্দি লোলদা তন্বীবা হৌরিবা অসিমক য়ামা অফবা খোঙথাং অমনি। ৱায়েল থৌদাগা মরী লৈনবা ৱাফমশিং মীচম মীয়ামদা লায়না খঙহনবা হায়বসিনা মদুগী খুদোংচাবশিং মীয়ামনা লৌনবা হোৎনবদা হেন্না লায়থোকহনগদৌরিবনি।

**ডে ঃ** অহানবা ৱার্ল্ড ওদিও ভিজ্য়েল ইন্টরটেনমেন্ট সমিট, ভারতনা য়ুম্বু ওইদুনা গৱাদা চহি অসিগী নবেম্বর ২০ দগী ২৪ ফাওবা পাঙথোকগনি।

দিল্লিদা ঙসি পাঙথোকপা করটেন রাইজরগী থৌরম অমদা গৱাগী মুখ্য মন্ত্রি-প্রমোদ সৱান্তনা হায়-ভারত অসি মালেমগী মনুংদা খ্বাইদগী য়ামা ফিল্ম পুথোকপা লৈবাকশিংগী মনুংদা অমনি। ৱার্ল্ড ওদিও ভিজ্য়েল ইন্টরটেনমেন্ট সমিট অসিনা ভারতকী মিদিয়া অমসুং ইন্টরটেনমেন্ট ইন্দষ্ট্রি চাউখৎহনবদা চাউনা মতেং ওইরগনি।

থৌরমদুদা ৱা ঙাংবদা ইনর্ফোরমেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রি-অশ্বিনি বৈষ্ণবনা হায়-সমিট অসিনা ভারতকী ইন্টরটেনমেন্ট ইন্দষ্ট্রিগী ইতিহাসতা অনৌবা পন্দুপ অমা হাংলগনি। মসিনা মিদিয়া অমসুং ইন্টরটেনমেন্ট হন্দষ্ট্রিদা থবক পীবগী চাং হেনগৎহল্লগনি।

**কিল্ড ঃ** পেলেস্তাইনগী গাজাদা ইজরেলনা ইয়ার ষ্ট্রাইক চথবদা য়ামদ্রবদা মীওই

৭১ শিরে। গাজাগী খান য়ৌনিস এরিয়াদা লৈবা মী কুংনা তাবা আল মৱাসিদা ইয়ার ষ্ট্রাইক অদু চথুখিবনি।

হমাসশিংনা চল্লাইবা হেলথ মিনিষ্ট্রিগী পাউনা হায়-ইয়ার ষ্ট্রাইক অদুদা মীওই ২৮৯ হেন্না অশোক অপন নংখি। অমরোমদা, ইজরেলগী মিলিটরিনা হায়-ইয়ার ষ্ট্রাইক অদু হমাজগী মিলিটরি চীফ-মহামদ দৈইফকী লৈফমদা চথুখিবনি। থৌদোক অদুদা হমাজগী মিলিটরি চীফ অদু শিখ্রে নৎত্রগা হিংলি হায়বগী পাউদি চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি হায়খি।

**য়ুরো ঃ** য়ুরো কপকী ফাইনেলদা হয়েং স্পেন অমসুং ইংলেন্দ থেংনরগনি।

ফাইনেল মেটচ অসি হয়েং নুমিদাং নোংয়াই মতুং পুংখায় চৎপদা শান্নগনি। স্পেননা ফাইনেল মেটচ অসি লৌদুনা মরিরকশুবা ওইনা রেকোর্ড থমবা হোৎনরি। অমরোমদা, ইংলেন্দগীসু হন্দক্কা অসিনা অনিরকশুবা ফাইনেল মেটচ শান্নবা ওইগদৌরি। কপ অসিগী সেমি ফাইনেলদা স্পেননা ফ্রান্সপু পাঞ্জল ২-১ দা মায়থিবা পীরমখি। অমরোমদা, ইংলেন্দনা নেদরলেন্সপুসু চপ মান্ননা পাঞ্জল ২-১ দা মায়থিবা পীরমখি।